হুন ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

মোরে, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : থাদৌ ট্রাইবকী ইপা-ইপু হাংতক্ততগী চৎনরক্লবা পাল্লৌ উবা হৌবগী হুন ফেষ্টিভেলগী থৌরম থা অসিগী ৭ তা কাঙপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈথেল মানবীগী চম্ফাই ভিলেজদা পাঙথোক্লগনি হায়না হুন ফেষ্টিভেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি ২০১৮ কী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাওমীশিংগা উন্নবদা ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইকেল লমজাথাং হাওকিপনা হায়খি, হুন ফেষ্টিভেল অসি ইপা-ইপু হাংতক্তগী লৈরক্লবা নাৎকী ওইবা লাইশোন-তিনশোনগী থৌরম অমনি। খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎত্রিঙৈগী মতমদা চহি খুদিংগী এপ্রিল ৭ তা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মতম খরা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চঙলকপদগী লেপ্লুরবসু অমুক হন্না য়োকখৎতুনা মাংলমচৎকী চৎনবী অসি মাংদনা থম্নবা কুমজা ২০১৬ তগী পাঙথোকপা হৌখি। মমাং চহি ২০১৭ দগী থাদৌ ট্রাইবনা খুন্দারিবা খুল-খুলশিংদা পাঙথোক্লখি। অদুবু চহি অসিগীদি মণিপুরদা লৈরিবা থাদৌ ফুরুপশিংগী ওইনা পূন্না পাঙথোক্কদবনি।

খৃষ্টিয়ান লাইনিং লাক্ত্রিঙৈদদি লিশাং শীৎনা অহল-লমনশিংনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ফেষ্টিভেলনি। ফেষ্টিভেল অসি লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা মরু-মরাং হুনবা হৌবগী চৎনবীদা শমথরকপনি। মরু ওইনা ফৌ হুনবা হৌবগী মতম ওইনা লৌনদুনা ফৌথোক হেন্না পুথোক্ল বগীদমক অমদি পাল্লৌ উনবগীদমক থৌনি থৌরম পাঙথোকপনি। থাদৌ ফুরুপকী চৎনবীদা ঈরাৎ থৌরম পাঙথোকপনি। চহি অসিগী হুন ফেষ্টিভেল অসিদা গভর্ণনর নজমা হেপ্তুলানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি। এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখলিয়ান, সোসল ৱেলফিয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন অমসুং জি এস হাওপু য়াওনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা মিস হুন ফেষ্টিভেল, কলচরেল ডান্স, ইন্দিজিনস স্পোর্টস অমসুং তোঙান তোঙানবা ষ্টোল কয়াসু হাংগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা থাদৌশিংনা শরুক য়ানবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ মোন্টেশ্বরি স্কুল লাংজিংদা কে জি তল্লিবী মহৈরোই অমবু সেসন হৌবা নুমিৎ খক্তদা মহাকপু থিন্দোক-থিজিন তৌরিবা ভেন ড্রাইভরনা মোলেষ্ট তৌখিবগী থৌওং অসি ডেসাম অমদি এমসকী অপূনবা বোডি ওইরিবা ইন্দিজিনস ষ্টুডেন্টস কো-ওর্ডিনেসন কম্মিটি আই এস সি সিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

আই এস সি সিগী কনভেনর মোইরাংথেম অঙম্বা অমসুং কো কনভেনর রাজেস য়ুম্নামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা ভেন ড্রাইভর ইরোম রাকেস এলাইজ নাওবা লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈববু লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু।

মচাবু মহৈ-মশিন তম্নবা স্কুলদা থিনে দাক-থিনজিন তৌরিবা ভেন অদু মশক খঙবা, ইমুং-মনুংগী ৱারী খঙবা মীওইশিংগী মফমদা থাবীয়ু। স্কুল ভেন এসোসিএসন অমদি স্কুলগী ওইনা লৈরিবা ভেন এসোসিএসনশিংনসু মশক খঙনা ভেন এসোসিএসনদা য়াওহনবিয়ু।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা পূম্নমক্কা হোৎনমীন্নসি হায়রি।

মরক অসিদা ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুডেন্টস ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জিমি তোংব্রমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদা লাংজিংদা লৈবা জি সি সি আর পি এফ মোন্টেশ্বরি স্কুলদা তল্লিবী নুপীমচা মহৈরোই অমদা স্কুল অদুদা ভেন সার্ভিস তৌরিবা ইরোম রাকেস এলাইজ নাওবা (২৫) অপোকপা আই বিরা কৌবা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবনা কা হেনবা লমজৎ-শাজৎ চৎখি হায়বা থৌদৌ অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী নুংঙাইতবদসু শরুক য়ারি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা ভেন ড্রাইভর অসি এসোসিএসন অসিগী মখাদা সার্ভিস তৌবা গাড়ি নত্তে। লোয়ননা হীরম অমত্তদা এসোসিএসন অসিগা মরী লৈনদে। গাড়ি অসি লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টনা পীবা গাইদ লাইন ইন্দবতা নত্তনা য়েলো ষ্টিক্করসু নপতে। অদুবু হায়রিবা মীওই অসি মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা অঙাং থিনবগী শিনফম অসিদগী অথিংবা পীরগনি। এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা য়ুনিয়ন অমত্তদা ভেন সার্ভিস তৌহনবা য়ারোই হায়রি। অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংনসু অঙাংশিং য়েল্লো ষ্টিক্কর নপ্তবা ভেনদা তোংহনবিগনু হায়রি।

‘মোরে কোলেজ লৈঙাক্কী মপুং ফাবা কোলেজ অমা ওইহনবীয়ু’

মোরে, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মোরে কোলেজপু মপুং ফাবা লৈঙাক্কী কোলেজ অমা ওইহনবীয়ু হায়না মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী প্রসিডেন্ট এম থোইবা অমসুং ওল কম্যুনিটি ডিভলমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরেগী লুচিংবশিংনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোরকখ্রে।

মণিপুরগী নোংপোক থংবা ম্যান্মার বোর্দরগা থংননা লৈরিবা কম্যুনিটি শুনা তাবা মোরেগী অমত্তা ঙাইরবা মোরে কোলেজ অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মোরেদা লৈমীন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি কয়াগী খনবীদুনা অমসুং হৌগৎলক্লিবা মীওইশিং লাইরিক-লাইশু তম্বা ঙমজবদা লাইরবা পনখৈগী মখাদা লৈবা মহৈরোইশিং অমসুং মমা-মপা কয়াগী খনবীদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী মপুং ফাবা কোলেজ অমা ওইহনবীয়ু হায়রি।

অনৌবা লৈঙাক অসিগী চীং-তম পূন্না চাওখৎমীন্নদবা য়ারোই হায়বা পান্দম মপুং ফানবা থবক তৌবিয়ু হায়না এম থোইবা প্রসিডেন্ট মীতৈ কাউন্সিল মোরেনা ফোঙদোরক্লি।

ওল কম্যুনিটি ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিডেন্ট আর কে সনায়াইমনা ফোঙদোরকপদা মতমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরম কয়া লাকপা মতমদা এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌরকপা মতমদা মোরেদা লৈরিবা মীওইশিং এডুকেসনগী মঙাল মপুং ফানা ফংদবা তারগদি মোরেদা লৈমীন্নরিবা কম্যুনিটিশিং ময়োন লমদা লৈবা ঙম্লোই।

মোরেগী ৱাংমদা লৈবা এডুকেসনগী মঙাল মপুং ফানা ফংবা মীওই কয়ানা খুদোং চাবা কয়া শোয়দনা লৌখিগনি। মণিপুরদা ট্রেন চহি খরগী মনুংদা শোয়দনা য়ৌরক্লগনি অমসুং মোরেদসু অথুবা মতমদা য়ৌশিন্নবা থৌরাং তৌরক্কনি। মোরে অসি ম্যান্মার বোর্দরনা লৈরুবনা মোরেদা ম্যান্মাররোমদগী মীওই কয়া অমসু মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা ষ্টেট কয়াগী মীওইশিংগী চাক্তাফম ওইরিবনি।

অচৌ-অচৌবা কম্পেনিগী এজেন্ট কয়াসু মোরেদা লৈরক্কনি। মোরেদা লৈরিবা মীওইশিং এডুকেসনগী মঙাল মপুং ফানা ফংহৌবা তারগদি। কম্পেনিশিংগী থবক লোয়না পায়শিনবা য়াই, এডুকেসনগী মঙাল মপুং ফানা ফংহৌদ্রগদি মীতোপশিংনা শোয়দনা খুল্লিংবা মফম ওইরক্কনি।

মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মোরে কোলেজ অসিবু মপুং ফাবা গভর্ণমেন্টকী কোলেজ অমা ওইহনবিরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিকেসন সেটলাইটকা পাউ ফাউননবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৪ : স্পেস সাইন্টিষ্টশিংনা কম্যুনিকেসন সেটিলাইট জি সেট-৬ এ গা পাউ ফাউননবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না ইন্দিয়া স্পেস রিসর্ছ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) না ফোঙদোকখ্রে।

মার্চ ২৯ দা থাগৎখিবা জি সেট-৬ এগা পাউ ফাওনখিদবগী মতাংদা আই এ আর ওগী চিয়রমেন কে সিবাননা হায়খি, অথুবা মতমদা কম্যুনিকেসন সেটলাইট অদুগা পাউ ফাউনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

চহি ১০ ওর্বিটতা থমদুনা মোবাইল কম্যুনিকেসন্দা মতেং পাংনবা ইন্দিয়াগী স্পেস সাইন্টিষ্টশিংনা জি সেট-৬ এ থাগৎখিবনি।

পনবা য়াবদি মমাং চহিগী অগষ্টতা আই এস আর ওনা পোল্লর সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভি-সি ৩৯) দা নেভিগেসন সেটলাইট আই আর এন এস এস-১ ঐচ থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎখিবদা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা অমা লৈবদগী অরোইবা পুংফমদা মায় পাকপা ঙমখিদবনি।

এ আরনা শিন্দুনা রন ফোর প্রোসপরিটি পাঙথোকখ্রে

RUN FOR PROSPERITY

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফ্লসকী ৪ অসাম রাইফ্লসনা শিন্দুনা অসাম রাইফ্লসকা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী অদু হেন্না চেৎশিন্নবা অমদি তেংবাং পীনবগী পান্দমগা লোয়ননা শান্না খোৎনববু পুক্লিং থৌগৎতুনা রন ফোর পোসপরিটিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নহাশিংবু পুক্লিং থৌগৎখি অমসুং অঙাংশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি হায়রি।

অমরোমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ককচিংগী অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুলগী মহৈরোইশিংগী এক্সকর্সন অমা থা অসিগী ৩ দা পাঙথোকখ্রে। স্কুল অদুগী ক্লাস টেনগী মহৈরোই ২৪ অমসুং ওজা ৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এক্সকর্সন অদু কংলা গেট, মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইব্রেরিনচিংবদা চৎখি। অসাম রাইফলস অমদি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম অদুবু মহৈরোইশিংগী পেরেন্টশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা গুৱাহাতিদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা পোৎ পুবা ট্রক অমা থা অসিগী ২ গী অয়ুক পুং ৩ রোম তাবদা মরাম চর্চ মনাক্তা নেসনল হায়ৱে ২ গী শরুক্তা এক্সীডেন্ট থোকপদগী ৩৪ অসাম রাইফলসনা মফম অদুদা থোমজিন্দুনা এক্সিডেন্ট থোক্লবা গাড়ি অদু চিংখৎখ্রে। মরাম বটালিয়ন্না থৌদোক থোকফম অদুদা রিকোভরি ভেহিকলগা লোয়ননা চঙশিন্দুনা পুং অমরোম চঙনা হোৎনরবা মতুংদা ট্রক অদু চীংখৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

মরাম বটালিয়ন্না খুদোংথিবা নংলবা গাড়ি অমা চীংখৎখিবা অদুবু মফম অদুগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না পি আই বি ডিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

মোরবুং প্রাইমরি স্কুলগী ফিভম য়েংশিনবীয়ু: লূপশিং



জিরিবাম, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : জিরিবামগী মোরবুংদা লৈবা মোরবুং প্রাইমরি স্কুল অসি ফিভম য়াম্না শোকপনা অঙাংশিংনা ক্লাস তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি অমসুং স্কুল অসিগী ফিভম অসি য়েংবা নুংঙাইমন্দবদগী মোরবুং লাইরেম্বী ক্লব অমদি স্কুল অসিগী হেড মাষ্টর টি ঐচ সরতকুমার অমসুং পাউমীশিংনা স্কুল অসিগী ফিভম য়েংশিনমীন্নখ্রে।

স্কুল অসিগী হেড মাষ্টর টি ঐচ সরতকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, স্কুল অসিদা পূন্না ওজা ৪ লৈ অমসুং মহৈরোই ৫৭ মহৈ তল্লি। অদুবু স্কুল অসিগী ফিভমদি য়াম্না শোক্লে। মরম অদুনা স্কুল অসি শেমগৎপীনবা জিরিবামগী জেদ ই ওদসু ফোটোগা লোয়ননা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে অমসুং জিরিবাম এ সিগী এম এল এ অসব বুদ্দিনদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে লোয়ননা এম এল এ অসব বুদ্দিননদি স্কুল অসি নৌনা শারগনি হায়না থাজবা পীরকখি, অদুবু হৌজিক ফাওবা করিসু হায়দনা তুমীন্না লৈরি। হান্নদগী হেন্না ফিভম শোক্তুনা লৈরিবা স্কুল অসি মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরিঙৈদা উ পাম্বী অমা তুরক্তুনা এক্সটেন্সন তৌরিবা কা অদুসু কায়খিবদগী হৌজিক ফাওবা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরি।

চহি কয়াগী মমাংদা স্কুল অসিগী টৈইলেট অমসু কিচন শাবীরম্মী, অদুবু শীজিন্নদনা অদুমক তেকখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

স্কুল য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মোরবুং লাইরেম্বী ক্লবকী প্রসিডেন্ট নাওরেম ওপেন্দ্রনা হায়খি, মোংবুং লাইরেম্বীগী মায়কৈদগী মোরবুং প্রাইমরি স্কুল অসিবু অথুবা মতমদা শেম্বীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি। স্কুল অসিগী ফিভম অসি য়াম্না ফৎলক্ত্রে। হৌজিক্তি নোংজু থাগী মতমসু লাক্লবনিনা স্কুল অসিবু কুপ্লিবা জি আই সিটশিং অসি লোয়না হোবনা মরম ওইদুনা নোং চুরকপা মতমদা অঙাংশিংনা ক্লাস তৌবা মতমদা নোং চোৎপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। স্কুল অসিগী ফক্লাং অসিসু কিন্থবা হৌরক্লে। খরা ফবা কা অমা লৈরিবা অসিসু জিংঘ মপুং ফানা কুপ্তবদা ক্লাস তৌবা য়াদ্রে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরি লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

স্কুল অসি জিরিবামগী মনুংদা লৈরিবা খুঙ্গং ৩ গী অমত্তা ঙাইরবা স্কুলনি। লৈত-লাইরবা ইমুংগী মহৈরোইশিং লাপ্পা মহৈ তমহনবা ঙমজদবা কয়া অসিগী তানফম ওইরিবা স্কুল অমনি। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা স্কুল অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

স্কুল অসিগী স্পোর্টসকী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমসু পাঙথোকখিবা অদুদা এম ইমোচৌবা এ আই জেদ ই ও জিরিবাম, এম নোরেন সি আর সি হিল ঘাট ক্লাষ্টর অমসুং এল সন্ধীয়া রানিনা প্রসিডেন্ট লোকেল মৈরা পাইবী লূপ্পা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা স্কুল অদুগী ফিভম য়েংশিনখি হায়রি।

খোঙজং চঙশিনখিগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা হাংদোক্লিবা এল জে ইডুকিয়রগী হোষ্টেলদা লৈরগা সাইনিক স্কুল অমসুং নবোদ্যা বিদ্যালয়াগী এট্রান্স এগজামিনেসনগী কোচিং য়াওরম্বা নাওরেমথোং খুলেম লৈকাইদা লৈবা হুইনিংশুংবম রোসনগী মচানুপা ঐচ থৌওম্বনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থা অসিগী ১ দা লৈখিদ্রে হায়না জে এ সি এগেন্স ডি সসপেক্টেদ দেথ ওফ হুইনিংশুংবম থৌওম্বা ওফনাওরেমথোং খুলেমলৈকাই এট এল জে এড়ুকিয়র শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইনা ফোঙদোরক্লি।

জে এ সি অসিগী চিয়রমেন টি ঐচ সনাহনবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীশি অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীবিনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর, ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, লমশাং এ সিগী এম এল এ, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দসু মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাবিদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিনবা তকশিনখ্রে।

অশিবা হকচাং লৌদনা লাকখিবদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট অদু থুনা ফংহল্লগনি লোয়না লোয়ননা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীরকপদগী অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা লৌদুনা নুংথিল পুং ২ তাবদা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে। অদুবু জে এ সিগী ডিমান্দ ফংদ্রিবফাওবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈতেং থাংহাই পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ চেরিটেবল ট্রষ্টনা শিন্দুনা ৩ শুবা এন খেলচন্দ্র নিংশিং থাংহাই চাংদম্নবা থা অসিগী ২২ দা উরিপোক অচোব লৈকাই বাস্কেটবোল গ্রাউন্দ কম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

তাংজেং খুনৌ মান্দবতা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেংগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

KHANNA - NEINABA

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : কোল্লিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিলকখিবা খোংজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২ দা তাংজেং খুনৌ বামোন মন্দাবতা কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক অমসুং তাংজেং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপকা খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মশিবু থিংবদা মীয়ামগী হায়বা হিরম অসিদা মীয়ামগী থৌদোং ওইবা মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কাঙবম ইবেমপীসক প্রসিদেন্ট তাংজেং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপ, হিজম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কাদা, সোরোকখাইবম নেনা প্রসিদেন্ট কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমসুং ময়েংবম বুধি সেক্রেতরি কাদানা রিসোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী রির্সোস পার্সন ওইখিবা দোরেননা ফোংদোকখিবদা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। লৈকাই- লৈকাই খুদিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী ঈহৌ কন্না চংশিনবা ওইরে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী ঈহৌ কন্না চঙশিনবা মতম ওইরে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবদা মৈরা পাইবী, ক্লবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা হকচাং শোকহনবতা নত্তনা খুন্নাই অসিদা অচৌবা চৈথেং নংহল্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী চৈথেং অসি নুপীদনা হেন্না ফংই।

ইমাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবদা মাংজিল থাদ্রগদি ইচা-ইশুশিং লোয়না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপখ্রগনি।

থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখিবা ময়েংবম বুধিনা ফোঙদোকখিবদা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসি থিংবা ঙম্লোই হায়দুনা লৈথোক্লগদি মাংবা অসুম হেল্লকনি। ইমাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবিদুনা মফম অসি খরদং ওইরবসু ঈংলিবনি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা অমাংবা নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা পুরক্তে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা মীওই লৈবা ইমুংনা হেন্না খঙগনি। লৈকাই অসিদসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কা মরী লৈনবা এৱ্যেরনেস তোইনা পীদুনা নহা ওইরিবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনমীন্নসি।

থৌরম অদুগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা হিজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিস অমদি এক্সসাইজনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপিয়ু, গভর্ণমেন্টনা এক্ট অমসুং লোশিং ফজনা চৎনহল্লু। মতমগা চান্নবা এক্ট শেম্মু, মতমগা চান্নবা এক্টশিং শেমদোক্তবদগী পুলিস অমদি এক্সসাইজনা পাঙ্গল থোক্লা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা ঙমদ্রিবরা হায়বদু কুপ্না য়েংশিনবা তাই।

ঐখোয় খুদিংমক্লা গভর্ণমেন্ট, পুলিস, এক্সসাইজ, ক্লবশিং, মৈরা পাইবীশিং অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবা তাই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি

থৌরম অদুগী প্রসিডিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা কাঙম্বম ইবেমপীশক্লা ফোঙদোকখিবদা, তাংজেংগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবদা মীপুম খুদিংমক্লা মতেং পাংবিয়ু।

অমরোমদা থা অসিগী ৩ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা কাদা ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং ৱাবগাই তেরা উরক মৈরা পাইবী লূপকা খুৎশম্নদুনা চথখিবা দ্রাইব অমদা য়ু য়োনবা মীওই অমদগী য়ু লিটর ১০০ ফাগৎপা ঙমখ্রে অমসুং ফাগৎলবা য়ুশিং অদু মীয়াম মাংদা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়না কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিংতাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়খি।

শক্লাইরবা পাউমী খেলেন থোকচোম্না লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : ডি টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট ওইরম্বা শক্লাইরবা পাউমী খেলেন থোকচোম্না লৈখিদবদা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি), মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিব), পিপলস এক্সন ফোর নেসনল ডিমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম), কোলিসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকোহল (কাদা), কংলৈপাক ষ্টুডেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ), নুপী খুন্নাই কনবা লূপ কংলৈপাক অমসুং হুইয়েন লাললোং মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি) মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিব) কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কে সি পি মিলিটরি কাউন্সিলগী লুচিং পুরেল চীংখৈ খুমননা লুচিংলগা লূপ অসিগী ফম্নাইবশিংদা মণিপুরদা লৈরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স মিডিয়া পার্সনশিং মরু ওইনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি এডিটরস গিলস মণিপুরনা লিশাং শিৎনা কখোক্তুনা মাং থারগা লৌরক্লিবা লৈপাক্কী থৌদাংশিং অসিবু ইকাইখুম্নগদবনি হায়বা পাউতাক কয়া পীখ্রে হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ডি টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোম সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা কে সি পি এম সি প্রোগ্রেসিবকী রেদ আর্মি অমদি শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা ওপরেসন মঙাল কংলৈপাক্কী মেম্বর খুদিংমক্লা থম্মোয় শোক্লা মীৎলুগী পীরাংগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সেনিয়র জর্নেলিষ্ট খেলেন থোকচোমনা হিংলিঙৈ মতমদা পাঙথোক্লম্বা থৌদাংদি শিংথাবগী লোইবা নাইররোই। মহাক্লা পামজরম্বা ৱাখল্লোন কয়াদি ঙসিসু লূপ অসিনা হিক্তোকপা লৈতে অমদি তাইবঙপাল থাদোক্লমদাই ফাওবা মীয়াম খঙনা লাওরম্বা খোল্লাউ করপসন মুথৎকদবনি অমসুং ওইজবা থিবনা মরম ওইরগা তোখাই তাবগী ৱাখল্লোন অসিনা খুন্নাইরোলদা অচৌবা মাংজবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপিরম্বা মীওই অমনি।

তাংলবা পাউমী অসিগী থৱাই হকচাংনা তাইবঙপাল থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু মহাক্কী অচুম্বা খোল্লাউ কয়াদি মুৎনাইদনা লৈরি।

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা পাউমী কয়ানা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিবু লৈবাক মীয়াম্না অচৌবা ফিদা পীবিদুনা মখোয়বু হেন্না অচঙবা পাউমী ওইহন্নবা হোৎনদবা য়াদবগী তঙাই ফদবা তাঙ্কক অমদা লাক্লে। পাউমী হায়রগা লৈবাক মীয়াম্না পাউচেদা ৱারোল ফোংবতমক ওইনা খনবদি চুল্লোই। মখোয় অসি লৈবাক অমগী পৱার য়াম্না লৈবা মিসাইলদগী হেন্না কনবা অচুম্বগীদমক খুৎতা কোলোম অমদি কেমেরা পাইদুনা লান্থেংনরিবা লান্মী অমনি হায়দুনা শীংথারবা ফাওবা অৱাৎপা ওইগনি।

লূপ অসিনসু মখোয়বু ইকাইখুম্নজবগা লোয়ননা হকশেলগী অমদি পুন্সি মহিংদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা খুদিংমক মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্ট কয়ানা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা খুন্নাই অসিগী তিঞ্জং-কাইজংদবা পাউমী ওইনবগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু অঙম্বা মতেং পাংনবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিটাল অমদি পাউমীশিংনা মখোয়গী দ্যুটি চৎপদা খুন্নাই অসিদা চেল্লিবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ি কয়াদা মখোয়দগী চার্জ লৌদনবগীদমক লৈবাক মীয়াম খঙনা অথুবা মতমদা লাওথোক্লগনি হায়রি।

কে সি পি এম সি প্রোগ্রেসিবনা লৌরক্লিবা চৎন-পথাপশিং অসিবু লৈবাক মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু। পাউমীশিংবু মনিং তম্না হেন্না অচুম্বগী লম্বীদা লান্থেংনবা ঙম্নবগীদমক লৈবাক মীয়াম পূম্নমক্লা পূক্লিং থৌগৎমীন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

পান্দমগী সেক্রেটরি জেনরেল ঐচ মনাওচা খুমন্না থোকপা চেরোলনা হায়, ডি টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট ওইবতা নত্তনা সঙাই এক্সপ্রেক্সকী ফাউন্দর এডিটরসু ওইরম্বা খেলেন থোকচোম্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

তেল্লবা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মহাক্লা মীয়ামগীদমক তৌরল্লিবা থবক থৌরম কয়া শীংথাবদা লোইবা নাইররোই। আই এস টি ভিগী ডিস্কসন অৱর কয়াদা, আই এস টি ভিগী অয়ুকসিদনচিংবা হীরম কয়াদা খন্ন নৈনবদা শরুক য়ামীন্নরম্বা, ইম্পেক্ট টি ভিগী মনুং হুৎনা হায়বা প্রোগ্রামদা অচৌবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লম্বা, এ আই আর ইম্ফালগী ন্যুজ এনালিষ্ট ওইনা লৌরম্বা থৌদাং পুম্বা করম্না কাউবা ঙমগনি। পাউচেগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াগী মথক্তা মহাক্লা থৱাই য়াওনা তৌজরম্বা য়ুমগী শীজিন্নবা লোইদুনা লংথোক্লবা কোললিক, বককেট শেগায়বা, কৌতা অকাই-অতোই কয়া খোমজিল্লগা কিচন গার্দেন ওইনা মরোই-মপাং, এঞ্জাং-নাপী অমসুং লৈশু কয়া থাদুনা মায় পাক্লা থবক পায়খৎখিবগী ৱারি কয়া লিদুনা ঐখোয় পুম্বদসু এঞ্জাং-নাপী থাহন্নিংবগী অকনবা ঈথিল পীরম্ববু কাউবা ঙম্লরোই। ঈরমদম মণিপুরবু অচুম্বা মায়কৈদা পুনবা লমতাকলম্বা মরুপ অসিনা হৌখিবা এপ্রিল ১ গী অঙনবা অয়ুক তা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা পোকখি।

খেলেন থোকচোম্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মরু চঙবা জর্নেলিষ্ট খক্ত নত্তনা লৈপাক অসিগী মতিং লৈনা অচুম্বা পুথোক্তুনা ঙাংবা ঙম্বা অফবা ওরেটর অমা মাংজরবনি। মরুপ অসিনা লৈখিদবদা ইমুং-মনুং, মরী-মতা, মরুপ-মপাং পুম্বনা নংহৌরিবা অৱাবদা পান্দম্না শরুক য়ারি। মহাক্কী থৱাইনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈজনবা তাইবঙ মপুগী খুয়াখাদা থৌনিজরি।

কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিংতাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা পাউমীগী লমদা কখোক্তুনা লাক্লবা এডিটর ফাওবা ওইরল্লবা, হৌজিক্লা ডি টেলিগ্রাফ পাউ চে গী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট ওইরম্বা খেলেন্দ থোকচোম্না মশাগী অনাবা অমদগী মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা কাদানা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

খেলেন থোকচোম্না জর্নেলিজমগী লমদা মতম শাংনা কখোক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক্তা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অমাংবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা নংহৌরিবা অৱাবদসু কাদানা শরুক য়াজরি।

কে এস এগী ভাইস প্রসিডেন্ট এস বিদ্যানন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, টেলিগ্রাফ পাউ চেগী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট ওইরম্বা শক্লাইরবা খেলেন থোকচোম্না মনুং-মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কে এস এনা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। মহাক্কুম্বা থম্মোয় শেংবা, পুকচেল চাওবা, মথৌনা লৈনা অচুম্বগীদমক থেংনবা ঙম্বা অরংবা থৱান মীচাক অসিনা লৈখিদবা হায়বসি ঈরমদম অসিগী মমল য়াল্লবা লন অমা মাংজবনি অমদি মসিনা মণিপুরী জর্নেলিজমগী চাওখৎ খোঙচৎতা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অহোবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী খুয়া খাদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়নসু তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

নুপী খুন্নাই কনবা লূপ ৱাঙ্খেৎ খুনৌ শোইবম লৈকাইগী সেক্রেটরি আই পি আর ইবেতোম্বী ৱাইখোম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ডি টেলিগ্রাফকী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট ওইবতা নত্তনা সঙাই এক্সপ্রেক্সকী ফাউন্দর এডিটরসু ওইরম্বা খেলেন থোকচোম্না লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগীদমক মহাক্লা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং শিংথাবদা লোইবা নাইররোই। আই এস টি ভিগী ডিস্কসন অৱার অমসুং অয়ুকসিদনচিংবা হীরম কয়াদা খন্ন নৈনবদা শরুক য়ারম্বা ইম্পেক্ট টি ভিগী মনুং হুৎনা নৈনবদা অচৌবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লম্বা এ আই আর ইম্ফালগী ন্যুজ এনালিষ্ট ওইনা থৌদাং লৌরম্বা অদু কাউবা ঙম্লরোই।

ঈরমদম অসিবু অচুম্বা মায়কৈদা পুনবা লমক্তাকলম্বা মপারি অসিনা থা অসিগী ১ গী অঙনবা অয়ুক্তা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা পোকখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মরু চঙবা জর্নেলিষ্ট অমখক্তা নত্তনা লৈপাক অসিগী মতিং লৈনা অচুম্বা পুথোক্তুনা লাওবা ঙম্বা অফবা ওরেটর অমা মাংজরবনি।

মহাক্কী থৱাই মীরেননা মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈজরুনবা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

হুইয়েন লাললোং মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা এডিটর খেলেন থোকচোমনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

থা অসিগী ১ দা লৈবাক্কী শক্লাইরবা এডিটর খেলেন থোকচোম্না মশাগী ময়ুম তেরা তোংব্রম লৈকাইদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। শক্লাইরবা এডিটর অসিনা মীয়ামদা অচৌবা খুদোল কয়া তৌবীরম্বা অদুবু নীংশিংদুনা এসোসিএসন অসিগী গুরু, ষ্টাফ, আর্টিষ্ট অমসুং মহৈরোইশিংনা থম্মোই শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱাইনা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিখ্রে।